# হুইয়েন লানপাউ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses




২২শুবা ষ্টেট হেন্দলুম দেগী থৌরমদা ময়েংবম কমলানা হেন্দলুম ৱিভিংদা আউটষ্টেন্দিং কন্ত্রিব্যুসন পীবগীদমক সর্টিফিকেট পীদুনা ইকায়খুম্নখিবা


৭৫শুবা মণিপুর নীংতম নুমিৎকী থৌরম পাঙথোক্লখ্রে
☛ লামায় ৩

লৈবাক্কী ঈশৈ ওইখ্রবা 'সনা লৈবাক মণিপুর'
☛ লামায় ৪

ওগষ্ট ১৫দা তায়ওন্নবা ৱাখল
☛ লামায় ৫

২২শুবা ষ্টেটহেন্দল্যুম দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে
☛ লামায় ১০


ওগষ্ট ১৬তা বি জে পি য়ুব মোর্চা মণিপুর প্রদেশনা শীন্দুনা কিলোমিটর ১৩০ শাংবা য়ুব সংকল্প যাত্রা সাইকল রেল্লি পাঙথোক্লগনি হায়দুনা লাউথোকখিবা




Vol. 45, Issue No. 141 | নোংমাইজিং, থৱানগী ৭নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Sunday, August 15, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


### পাউচে পুথোক্লোই

ঙসি ওগষ্ট ১৫, ২০২১ ইন্দিপেন্দেন্স দেগা মরী লৈননা প্রেস ছুটি ওইগদবনা ওগষ্ট ১৬কী পাউচে পুথোকচরোই। - মেনেজর

### HL Poll

Q: Manipurgi furupsingna makhoina leiriba mafamsingbu makhoi khaktagi lamni haiduna claim tounarakliba ashi achumba oigadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Anglo-Manipur war, 1891gi Athoubasingbu ningsingbaga loinana makhoigi thouna lingjel chennaba hotnapham thoktabra?

Yes 100% No 0%

### অস! লোইরেহে!

- মখোয় পাবুং ঈদাক য়েনবা লাক্কনি, কমদৌসিগে?



- ঐখোয় ইমুং লোইনা লাইহৌ লৈ হায়খো।

## বিষ্ণুপুর ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটি

# মাস রেজিগনেসন তৌরগা বি জে পিদা য়াওশিনগদৌরি

### বাইক রেল্লি চৎননবা থৌরাং তৌখ্রে, বিষ্ণুপুর ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী অনৌবা ৱার্কিং প্রসিদেন্ট হাপখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ (ঐচ এন এস) : বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ২৬-বিষ্ণুপুর এসেম্বলি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ ওইরমখিবা গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্টগী ফমদগী তোকপদা নত্তনা পার্টি অসিগী মেম্বরশিপ অমসুং এসেম্বলিগী মেম্বর ওইবদগী ফাওবা তোকখ্রবা মতুংদা ওইরক্লিবা এ সী অসিগী পোলিটিকেল দিভেলপমেন্টদা বিষ্ণুপুর ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী মায়কৈদগী মহাকপু শৌগৎপা অয়াম্বা মীওইশিং পার্টি অসিবু থাদোক্তুনা বি জে পিদা পুল্লপ য়াওশিন্নবা থৌরাং তৌরে হায়রি।

পাউজী লিখুন অমনা হায়বদা মসিগী মতাংদা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা বিষ্ণুপুর ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্টকী য়ুমদা কম্মিটি অসিগী থৌপুবশিংগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা খন্নখ্রে। মীফম অদুদা লেপ্নখিবা ৱারেপকী মতুংইন্না হয়েং ওগষ্ট ১৫ ফাওবগী মনুংদা কম্মিটি অসিগী মনুংদা হৌজিক লৈরিবা অদুগা বি জে পিদা য়াওশিনখ্রবা এক্স এম এল এ গোবিন্দাসপু শৌগৎপশিংনা মানা মানা পুরম্বা কম্মিটিগী থবক থৌরমশিংদগী তোকথোক্তুনা মাস রেজিগনেসন তৌনবগী ৱাফম অইবা চেরোল ওইনা ফাওবা পীদুনা খঙহনখ্রে হায়রি।

এক্স এম এল এগী তুং ইনবা থৌ পুবশিংগী মায়কৈদগী খরনা লৌরক্লিবা ফিরেপ অসিগী মনুং চন্না গোবিন্দাস কোন্থৌজমবু শৌগৎপা অমসুং মঙোন্দা সোলিদরিটি উৎনবগীদমক এ সী অসিদগী হৌরদুনা অচৌবা মোটোর সাইকল/বাইক রেল্লি অমসু চৎননবা থৌরাং তৌখ্রে হায়রি। রেল্লি অসি হয়েংমক পাঙথোক্লবসু য়াই হায়রি।

অদুম ওইনমক, ঙসি মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী মায়কৈদগী জেনরেল সেক্রেটরি (ওর্গনাইজেসন) এল টিলোতমানা থোকখিবা ওর্দর অমদা বিষ্ণুপুর ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী হান্না ত্রেজরর ওইরম্বা মোইরাংথেম ভোগেন্দ্রোবু ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটি অসিগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীখ্রে। মহাক্না ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটি অসিগী ৱার্কিং প্রসিদেন্টগী ফম অসি মখা তাবা ওর্দর অমা থোরক্ত্রিবা ফাওবা খুদক্কী পুবা হৌরগনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, থা অসিগী ৮দা নাচৌদা পাঙথোকখিবা এ সী অসিগী পোল্লিং ষ্টেসন নম্বর ২৬/১৩, ২৬/১৪, ২৬/১৫ অমসুং ২৬/১৬কী থৌপুবশিং অমসুং বি জে পিগী কার্য়াকর্টাশিংগী মীফমনা করিগুম্বা গোবিন্দাস কোন্থৌজমদা বি জে পিগী টিকেট পীরক্লবদি মখোয় পার্টি অসিদগী তোক্কনি হায়বগী ৱারেপ লৌখিবা লৈখিবনি। অদুগা মীটিং অদুদা লৌখিবা ৱারেপশিং অদুগা কোন্নবা অইবা চেরোল অমা চীফ মিনিষ্টর, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট, বি জে পি দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট অমসুং বি জে পি বিষ্ণুপুর মণ্দলগী প্রসিদেন্টদা পীশিনখিবা লৈখ্রবনি।

অদুম ওইনমক

...মখা লামায় ৩ কলম ৪

## গভর্ণরনা পাউজেল পীরক্লি



ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ (ঐচএনএস): হয়েং লৈবাক শিনবা থুংনা পাঙথোক্কদৌরিবা লৈবাক অসিগী ৭৫ রক শুরকপা নীংতম নুমিৎ থৌরমগী মাঙওইননা মণিপুরগী গভর্ণর গঙ্গা প্রসাদ চাওরাসিয়ানা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

মহাক্কী পাউজেলদা গভর্ণরনা হায়, ওগষ্ট ১৫, ১৯৪৭তা বৃটিশকী মখূত্তগী ইন্দিয়ানা নীংতম্বা ফংখিববু লৈবাক অসিগী মীয়াম্না চহী খুদিংগী অচৌবা পুৱারীগী থৌরম অমা ওইনা নীংতম নুমিৎ পাঙথোক্তুনা লাক্লি। নীংতম্বা অসি ইন্দিয়া মচা মিলিয়ন কয়ানা থৱায়না পোম্থা ওইদুনা শাংলবা লান্থেং চত্থরবা মতুংদা কোলোনিএল পৱরশিংদগী ফংবা ঙমখিবনি। নুমিৎ অসিনা লাকপদা ঐখোয়না ঐখোয়গী থৌনা ফবা ইপা ইপুশিং নীংশিংবগা লোয়ননা মখোয়দা ইকায়খুম্নবা উৎলিবসি ঐখোয়গী তৌফদ্রবা ইথৌনি। ঐখোয়গী হৌজিক্কী

...মখা লামায় ৩ কলম ২

## পুলিস মেদলশিং পীরক্লে



এস গৌতম, আই পি এস

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ (ঐচএনএস): মণিপুর গভর্ণমেন্টকী হোম দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী থা অসিগী ১২দা তোঙান তোঙান্না থোকখিবা ওর্দরশিংদা মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী তোঙান তোঙানবা রেঙ্কতা লৈবা ওফিসর অমসুং পর্সনেল ৯দা চীফ মিনিষ্টরস ত্রোফি ফোর কম্যুনিতি সর্ভিস, চীফ মিনিষ্টরস ত্রোফি ফোর এন্টি দ্রগ কেম্প্যেন অমসুং চীফ মিনিষ্টরস পুলিস মেদল ফোর গেলেন্টরি পীগনি হায়না লাউথোকখ্রবা মতুংদা দিপার্টমেন্ট অসিগী পুলিস ওফিসর অমসুং পর্সনেল ১১দসু লৈবাক অসিগী ওইনা নীংতম্বা নুমিৎকী থৌরমগী মাঙওইননা লাউথোকপা পুলিস মেদল ফোর গেলেন্টরি, প্রসিদেন্টস পুলিস মেদল ফোর দিষ্টিঙ্গ্যুইজ সর্ভিস অমসুং পুলিস মেদল ফোর মেরিটোরিয়স সর্ভিসকী তোঙান তোঙানবা মেদলশিং পীরগনি হায়দুনা লাউথোরকপদা

...মখা লামায় ৩ কলম ৪

# চান্দেলদা 'আই-এম'গী ফিরাল লৌথোক্লুবদগী পুলিস বুথ মৈ থাখ্রে

### য়ু এন সী অমসুং কে এন এফনা নাগা অমসুং কুকি এরিয়াশিংদা টোটেল শটদাউন চত্থবা হৌখ্রে





ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ (ঐচএন এস) : ঙসি ওগষ্ট ১৪, ১৯৪৭বু নীংশিংলদুনা মণিপুরগী চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংগী নাগা তাবা মফমশিংদা ৭৫শুবা নাগা ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরম পাঙথোকপগা মরী লৈননা হৌখিবা নোংয়াই মতুংদগী হৌরদুনা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী জফৌ কৈথেল য়াওনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থেৎলম্বা এন এস সী এন-আই এমগী ফিরালশিং লৌথোক্লুবগী ৱাহৌদগী দিষ্ট্রিক্ট অসিগী হেদ ক্বার্টরগী মফম অমদা লৈবা ত্রাফিক পুলিসকী বুথ অমা পেত্রোল হৈজিন্দুনা মৈ থাদোকখ্রে।

পুলিসতা অতম্না এটেক চত্থরকখিবা থৌওং অদুবু কন্ত্রোল তৌনবগীদমক পায়খৎলকপা থবক্তা পুলিসকী মায়কৈদগী টিয়র গ্যাস সেলশিং কাপখ্রে। চৈরকসিদা ঙসি অহিং নোংয়াই মতুংদগী হয়েং লৈবাক অসিগী ৭৫ শুরকপা নীংতম নুমিৎকী নোংয়াই ফাওবদা য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিল (য়ু এন সী), সেনাপতি হেদ ক্বার্টরগী মায়কৈদগী থোরকখিবা চেরোল অমনা নাগা এরিয়াশিংদা পুং ২৪গী টোটেল শটদাউনগী অথিংবা থমখিবগা লোয়ননা কুকি নেসনল ফ্রন্ট (কে এন এফ), জেনরেল হেদ কার্টর : কৌব্রু লাংগী মায়কৈদগী থোরকপা চেরোল অমনসু ঙসি অহিং নোংয়াই মতুংদগী হৌরগা হয়েং নুংথিল পুং ৬ ফাওবদা কুকি এরিয়াশিংদা টোটেল শটদাউনগী অথিংবা থম্লে হায়দুনা লাউথোকখ্রে।

চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা ফংবা পাউনা হায়, ঙসি পাঙথোকখিবা নাগা ইন্দিপেন্দেন্স দেগী

...মখা লামায় ৩ কলম ৬


